# নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা সাপো অমসুং নাগা হোহোগা পুন্না লৌতুনরগা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপনি ঃ লূপশিং

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ
চহী ফাজিল্লক্লবা মণিপুরগী জুকো অমসুং কোজরিগী লম শরুক্তা নাগালেন্দ লৈঙাক অমসুং সাপোনা চঙশিল্লক্তুনা লম খোপচিনবা অসিগী মায়োক্তা মাওগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অশুক কুইরবা মতমসিদী মণিপুর লৈঙাকনা করিগুম্বা মশক থোকপা থবক অমত্তা তৌদনা লৈরক্লিবা অসিদি মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিব্রা হায়না অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট চিঁঙ্খো লুৱাংচা, সী এল কেগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপী চনু, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক লৈমা, অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো অসমুং কংলৈ ইমা লূপকী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা পুন্না খুৎয়েক তৌদুনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নাগা লূপ খরনা মসিগী মায়কৈদা লেপ্পুনা তাশিন উশিন্নদনা খঙজিন্নদনা লৈথোকপনা মরম ওইদুনা মণিপুর অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শোইদনা কায়হনগদৌরিব্রা হায়না মীপুম খুদিংমকনা লৈথোকপনা মরম ওইদুনা মণিপুর অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শোইদনা কায়হনগদৌরিব্রা হায়না মীপুম খুদিংমকনা খন্নবা হৌরক্লে। মীয়ামদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা তৌরিবা মওংশিংগী হৌজিক ফাওবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী চপ চাবা রিপোর্ট অমা থমদুনা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নরসি। অদুগা শেল থোক্তবা থবক্তা থৱায় য়াওদবা মথুন লুম্বা গভর্নমেন্ট অসিগী মথক্তা অকনবা ফীরেপ লৌমিন্নরসি।

খঙজিনমিন্নগদবদি, কুমজা ২০১৪গী ওক্তোবর অহানবা চয়োন্দা মাও মীয়াম্না লাউরকপদগী সেনাপটি দি সীনা এস দি ও থাদুনা চয়েৎনরিবা জুকোগী লম শরুক্তা লম হেঞ্জিন্দুনা থবক তৌশিল্লকপা অদুগী রিপোর্ট অমা চৎতুনা লৌখৎখি। কুমজা ২০১৪গী নবেম্বরদা রিপোর্ট অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টতা দি সী, সেনাপটিনা লানখৎখি অমসুং এস দি ওগী রিপোর্ট অদুগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱাফম ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মীয়ামদা ঙসি ফাওবা ফোঙদোরকখিবা লৈখিদ্রি। কুমজা ১০১৫গী এপ্রিল ২৩দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদা অমুক নৌহৌননা মাওগী মীয়াম্না জুকোগী লম শরুক্তা লম্বী শেমজিল্লক্লিবা অসি থিংবিনবা অমসুং মফম অদুদা মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্স থম্বীনবা মেমোরেন্দম অমুক হন্না পীশিনখি হায়রি।

কুমজা ২০১৫গী মে ৫দা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হায়রকখিবা অমদি থবক পায়খৎলক্তবদগী মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা অমুক মীদিয়াদা থোক্লক্তুনা অল্টিমেটম থাদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্ট থাদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মফমদা নৌহৌননা অমুক দিমান্দ তৌরকখি। কুমজা ২০১৫গী মে ১২দা মাও কাউন্সিলনা শীন্দুনা কমিটি ফোর কোজরি এন্দ জুকো লেন্দ বাউন্দরি রিজোলুসন হায়বা কমিটি অমা শেমদুনা পেনমন্দবদগী খরা হেন্না অকনবা ফীরেপ লৌদুনা মণিপুর বন্দ কৌখি। হায়রিবা ৱাফম অসি করিসু নাচুংদনা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টরশিংনা এ দি সী ইলেক্সন লোইরগা এনক্বাইরি তৌখিগে হায়না লায়না হায়রকপা অসিমক ঙকপা অনী শুদ্রি হায়না খল্লি। মসিগী মখা তারকপদা অমুক চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী এনক্বাইরি তৌখিবা হায়বা ৱাফম অদু তাবদা অঙকপা পোক্তুনা ইপসা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লূপ য়ু সী এম, অমুকো অমসুং মীয়াম্না মণিপুর পুম্বগী বন্দ অদু শৌগৎতুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌদুনা ইপসানা পেন্দবা ফোঙদোকখি হায়রি।

কমিটি ফোর কোজরি এন্দ জুকো লেন্দ রিজোলুসনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎত্রবদি জুন ১গী অহিংদগী মতম কক্তবা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌগনি হায়দুনা লাউখ্রসু ইবোবী লৈঙাক্তি এ দি সী ইলেক্সনদা কোইচৎ চৎতুনা ৱা ঙাংদুনা লৈথোকপা ঙল্লিবা অসিনা তাক্লিবদি মণিপুর গভর্নমেন্টনা শুকশোই শোইদনা মণিপুর কায়হনগদৌরে হায়বসি অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলবনি। মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোইদা হায়রিবা ৱাফম অসি য়াম্না পেন্দবা ফাওনরে অমসুং মসিদগী থোক্লককপা য়াম্না অহকপা পরা অমা তম্বীনবগীদমক্তা কংলৈপাক্কী সিভিল সোসাইটিজ ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মীপুম খুদিংমকনা শেম শাদুনা লৈবা তঙাইফদ্রে হায়রি।

হৌজিক মাও অমসুং নাগালেন্দ ফাওনবা লমখৈ শরুক্তা নাগালেন্দগী অঙ্গামি ফুরুপকী নহাশিংনা লম্বীদা থোক্লক্তুনা পেসেঞ্জর পুবা বস অমসুং ট্রকনচিবশিং চেক তৌদুনা মাও ফুরুপকী মী য়াওব্রা? চৎপা য়ারোই হনখো হায়দুনা খন্দোক্লগা নুমিৎ খুদিংগী হলহন্দুনা মাওগী ইচিল ইনাওশিংদা অঙ্গামীশিংনা পাক্তক্লনা অৱাবা অমসুং অকিবা পোকহল্লিবা অসিসু মণিপুর গভর্নমেন্টতি হৌজিকসু তাশিন উশিন্নদনা লৈথোক্লিবসি অফবা ওইরক্লোই লোয়ননা নাগালেন্দগী অঙ্গামি ফুরুপনা হন্দক পায়খৎলক্লিবা থবক অসিদি মাও ফুরুপতা অতম্না তৌরকপা নৎতে, মসিদি মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্তা উশিৎতবনি অমসুং খৎনবা হৌবনি। মসি মণিপুর গভর্নমেন্টনা খোঙলৈ থুনা মখা চৎথহন্দনবা হোৎনদ্রবদি মণিপুর মীয়াম্নসু অকনবা ফীরেপ অমা লৌশিল্লক্লবগী তাঞ্জা অমা শোইদনা লাক্লগনি হায়রি।

হৌজিক ওইরক্লিবা জুকো অমসুং কোজরি ৱাফম অসি নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্ট অনীনা ফম্মিন্নদুনা অথুবদা লোইশিনফম থোকই অমসুং মসিগী মায়োক্তা ঐখোয় খুদিংমকনা চপ চানা থেংনগনি অমসুং লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎতুনা মাও মীয়ামগী খুদোং চানবা হোৎনগনি হায়রি।

মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টগ্রিটিগী মতাংদা নাগা হোহোনা ৱা ঙাংনিংঙাই ওইদে অমসুং ঐখোয়গী ওইবা ইমুং মনুংগী ৱারীনি অমসুং টেরিটেরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবগীদমক্তা ঐখোয় য়াম্না মরাং কাইনা লৈরি হায়বসি নাগা হোহো হায়বা নাগালেন্দগী লূপনা খঙজিনগদবনি হায়রি।

নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসি মতিক মপা য়াম চাদনা লম করাম্বা লৈপাক অমা ওইনা তৌরক্লিবা অসি ঐখোয়গা য়ুল্লোন্নবা লৈপাকনি হায়বদা ফাওবা হঙ্গোইবা অমা পোকলক্কদৌরে, মরম অদুনা নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্নমেন্টনসু ইশানা ৱাখল খন্থবিরগা মীগী মরমদা লম হেঞ্জিল্লিবা অসি হন্দোকখিবনা পুম্নমক্কী য়েংলগা খ্বাইদগী লৈপাক মচা তাবা গভর্নমেন্ট অমা ওইগনি হায়না খল্লি হায়রি।

পঞ্জখ্রিবা ৱাফম অসি মীপুম খুদিংমকনা মুন্না খন্থবিরগা ঐখোয় করি তৌরগা মঙক কল্লিবা নাগালেন্দ গভর্নমেন্ট অমসুং মনা তাথিরিবা মণিপুর গভর্নমেন্ট অসিগী মথক্তা ঐখোয় পরা অমদি তম্বীনবা হোৎনসি হায়দুনা লৈপাক মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

# ‘মেরি হাৎপদা চেন্নবা এ আরগী পার্সোনেলশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ
হৌখিবা মে ৩১গী নুমিদাংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী আইমোল খুলদা ২০ এ আরনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা রোইসেতিং এলিয়স মেরি (৫৫), মপুরোইবনা মাইবম বাবুধোন লৈখিদবদা য়ুনাইটেদ পিপল’স ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ, মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এ দিনেসনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়ান আর্মি ময়াম অমা মণিপুরদা থল্লিবা অসি লো এন্দ ওর্দর ফনবগীরা নৎত্রগা মীচম মীয়ামদা ওনশিল্লগা নোংমৈ কাপ্পবগীরা হায়না হঙলি।

থোকখিবা থৌদোক অদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎত্রবদি মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা য়ু পি এফ, মণিপুরগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়নসু চেরোল অসিদা চেকশিন ৱাসু থম্লক্লি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং শুমাঙ কুম্মৈ য়েংবদদৌনা য়েংলিবা অসি নুংঙাইরিব্রা? পোলিটিকেল পার্টিশিং শরুক য়াওদ্রা? পোলিটিকেল লিদরশিংনসু মণিপুর মীয়াম্বু নুংশিবিরবদি অমসুং মীয়ামগীদমক খল্লবদি তুমিন্না লৈথোকফম থোক্তে হায়রি।

অরোইবদা লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু য়ু পি এফ, মণিপুরনা শরুক য়াজরি অমসুং মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু য়ু পি এফ, মণিপুরনা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়রি।

চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন’স এসোসিএসন (চিতুৱা) গী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাশিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদসু হায়, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী আইমোল খুলদা ২০শুবা অসাম রাইফলসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা রোইসেতিং এলিয়স মেরিবু তমথীনা হাৎখিবগী থৌওং অদু য়াম্না পাংদবা লৈপাক মীয়াম্বু য়েক্লবগুম লৌবগী থৌওংনি।

মণিপুরদা অফস্পা, ১৯৫৮পু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা লনাই নুংঙাইনদবগী ফাওবা মী ফানিংলে ফাবা, হাৎনিংলে হাৎপা, ভোটকী মীচং খোম্নবদা ফাওবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং য়াওশিনবগী খুদম চাংদম কয়া লৈনরে. মীয়াম্না হায়রগা কৈদৌরক্কদগে হায়বগী অকিবা লৈনবদগী হায়দোক্ক দবনি। লালহৌলূপশিংদা হান্না য়াওরম্বা ময়ুমদা পোত্থাদুনা নুপী অঙাং থিদনা চহী মঙা তরা লৈজরক্লবা কয়াবুসু মরম চাদনা তোইনা তোইনা ফাবা-পুনবা, ওৎ-নৈবা চথ্দুনা ইমুং মনুং লৈকায় খুল কয়া লৈতা-খুন্দানা হিংবা ঙমহন্দে হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিদা লৈপাক্কী মপী মপানি হায়না লৈরিবা অঙম অথৌশিংনসু করিসু য়েংশিনবা লৈত্রে। মখোয়দা ৱানোম্বা লাক্লবা ভোট খোমহৌনবগী খুদোংচাবা লৌনবা ঙাইদুনা লৈনবগুম তৌনরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক থীরবা তাঙ্কক হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা মীয়াম পুম্নমক ৱাখল তামিন্নদুনা লৈঙাক্লোনগী ওন্ন-তৈনবা তমথীরবা থৌওংশিং অসি থেংনমিন্নরসি হায়রি।

অথুবা মতমদা রোইসেতিংবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপদা চেন্নবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং অদু থবক্তগী লৌথোক্তুনা মরাল মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। মীহাৎ অসিগী মতাংদা লৈঙাকনা চপ চাবা থবক লৌখৎত্রবদি মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা মখা তানা খোঙজংশিংদা চিতুৱাৱা অঙম্বা থাক্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) ঃ
য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী, য়াইরিপোক্কী ২২শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুরগী এম আই অমসুং আই পি আরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে মেঘচন্দ্রগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনা অথোইবা লেঙবিরকপা ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি ক্ষেত্রি বিরা, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরী, য়াইরিপোক্কী প্রসিদেন্ট রঘুবির থিয়াম অমসুং আই পি আর অমদি আই পি আরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে মেঘচন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মরু ওইবা থৌরম পরেং ওইনা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা কে লোকেন্দ্রো অমসুং বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মদা ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমিন্ন লেপখি, ২০শুবা থম্বালনু চেফোঙগী ইসু ফোঙখি অমসুং গোপেশ্বর ঔগ্রীথেনবনা বঙ্গলা অমদি মীতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক ‘ইমাগীদমক্তা’সু ফোঙখি হায়রি।

## ‘লায়েংশঙশিংদা মীৎয়েং চঙলগনি’

ইম্ফাল, জুন ০৩ ঃ মশা-মউ ফৰা মণিপুর নেসন অমগী পান্দম থমদুনা য়ুনাইটেদ পিপল’স ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসিংদগী খরা খজিক লাপথোককিবা মফমশিংদা লৈরিবা অনা লায়েংশঙশিংদা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ, মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন দিনেশনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মসিগী পান্দমদি মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক চউখৎলকপগী মতুং ইন্না মশা ফৰা হায়বা অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরে।শান্নবগী, মহৈ-মশিংগী লমদা লৈরিবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা ইরম কয়াদা থবক তৌরিবা খুদিংমক মশা ফৎত্রগদি মতৌ করম্না খুন্নাই অসিগী মীওইনি হায়গদৌরিবনো। মরম অদুনা মসিগী মরী লৈনবা দিস্পেন্সরি, প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্টর অমসুং কম্যুনিটি হেল্ঠ সেন্টরশিংদা থবক তৌবিরিবা মীওইশিং অমসুং লোকেল ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বীশিং য়ু পি এফ, মণিপুরনা চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙথাংসিং অসিদা

মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নসি অমসুং মতেং পাংবিয়ু হায়জরি। মসিগীদমক মীওই মঙানা শাবা কমিটিনা শেমখিবগা লোয়ননা কনভীনর ওইনা য়ু পি এফ, মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল এন রূপচন্দ্রবু খল্লে হায়রি।

## ৱার্ল্ড এনভাইরোমেন্ট ডে পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৩ ঃ মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোকপগুম দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্টনা সেবেন বিল্লিঅন দ্রিমস, ৱান প্লানেট, কঞ্জুম ৱিথ ক্যার হায়বা য়ু এন ঈ পি থিম অসিদা ৱার্ল্ড এনভাইরোমেন্ট ডে লাক্লিবা জুন ৫গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা ইম্ফালগী আর্টস এন্দ কলচর ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা চন্দ্রকির্তি ওদোটোরিয়মদা পাঙথোকথোক্কদৌরি হায়না দিরেক্টোরেট অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা মণিপরগী চীফ সেক্রেটরি, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট পি সী লোমকুমঙা, মণিপুর গাভর্নমেন্টকী কন্সলটেন্ট ডা. আর কে নিমাই, আই এ এস, এস ঈ আই এ এ, মণিপুরগী চেয়রমেন ডা. কে ঐচ শামুঙৌ, এস ঈ এ সী, মণিপুরগী চেয়রমেন ডা. ঐচ নন্দিরাম শর্ম্মা, এস ঈ এ সী, মণিপুরগী মেম্বর জে তোম্বা শর্ম্মা অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোমেন্টকী দিরেক্টর ডা. এম হোমেশ্বরনা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবিরকপা, ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবিরকপশিং অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী এনভাইরোমেন্টকা মরী লৈননা থবক তৌরিবা লনাই মীওইশিং/ওর্গনাইজেসনশিংদা ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মেমেন্টো, সাইটেসন/এপ্রিসিএসন এৱার্দশিং খুদোল তমগনি। থৌরম অসিদা পুম্নমকনা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

## ‘পিস রেল্লি শৌগৎকনি’

ইম্ফাল, জুন ০৩ ঃ হৌখিবা মে ১৩দা পাৎশোইদা লৈবা মৈতৈ খৃষ্টিয়ান চর্চ অমসুং অতোপ্পা চর্চ অমবুসু মৈ থাদোকপিখিবা অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোকচরি অমসুং লীগেল্লি শারিবা চর্চ অসিবু থুগায়বা, অথিংবা পীবনচিংবা অসি তৌবীগনু। লোয়ননা লাক্লিবা জুন ৬তা মৈতৈ খৃষ্টিয়ানশিংনা চংকদৌরিবা পিস রেল্লি অসিদা ওল মৈতৈ খৃষ্টিয়ান্স আর্ট এন্দ কলচর ওবজার্ভেসন কাউন্সিল (এমকাকোক)না মপুং ফানা শৌগৎচরি। নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবিদনবা নীংশিংজরি অমসুং মৈ থাদোকপিখ্রবা চর্চকী অৱা-অনা তাহৌরবশিংদা কাউন্সিল অসিনা শরুক য়াজরি হায়রি।

# লেবর দিপার্টমেন্টনা শম অককমল হেনগৎলিবা য়াবা ঙল্লোই ঃ এমসু

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী লেবর দিপার্টমেন্টনা হন্দক্তা থোক্লিবা শম ককপগী মমল হেনগৎলকপগী মওং অসি মরম চাদে মরম অদুনা ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না হেনগৎলক্লিবা শম ককপগী মমল অসি য়াবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এমসু, ময়াই লোইশঙগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইময়ুম সুরবলানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হাংলিবা শম ককফম সেলুন অয়াম্বা হায়জিনিক ওইবা মওংদা হাংবা সেলুন মশিং য়ামদে, মসিনা হান্না লৌরিবা শম ককপগী, কোই ককপগী মমল লুপ ২০/১০ অসি মরম চাই হায়না লৌই।

শেলমীৎলোল নিংথিনা লৈতবা লমদম অমসুং ওইরিবা মণিপুরদা মিনিট ৫-১০ খক চঙবা শম ককপদা লুপা ৩৫, কোই ককপদা লুপা ২০ লৌবা হায়বসি য়াম্না মরম চাদে। মদুগীসু মথক্তা হৌজিক হৌজিক লমদমসিদা মীতোপশিংগী ওইবা লো অমা শেম্নবা হোৎনদবনা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা লৈপাক মীয়ামগী অনীংবা অপান্বগী মায়োক্তা লেপ্পুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা হায়বসি এমসুনা হকচিন্না লৌই হায়রি।

য়াম্না ঙকপা অমনা হান্না লৌরিবা মমলদগী শরুক চাদা ৫০দগী ৭৫ ফাওবগী চাংদা হেনগৎলকপা হায়বসি মণিপুর অসি চৎন-পথাপ লৈজদবা চৎন-কাঙলোন লৈতবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা মশাগী অনিংবা অপান্বদা তৌনিংবতা তৌবা অসিনি।

মণিপুরদা লৈরিবা নোংমগী থবক শুরিবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমকপু এমসুনা ঈকায়খুম্নজবগা লোয়ননা য়াম্না লুমনা লৌজৈ। অদুবু য়াম্না মরম চাদনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগীদমক্তদি এমসুনা চপ চানা থেংনগনি হায়রি।

মরম অদুনা হৌখিবা মে ১৯দা দিপ্যুটি লেবর কম্মিস্নারনা থোকখিবা শম অমসুং কোই ককপগী মমল হেনগৎপগী (রিভাইজ সেলুন রেটস) নোটিফিকেসন অদুবু মুন্না খন্থদুনারিভোক তৌগদবনি হায়নসু চেরোলসিদা এমসুনা মখা তানা তকশিল্লক্লি।

# ঈশিং ফংহল্লগনি হায়বগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়দা লৈবা রুরেল ৱাটর সপ্লাই স্কীম (এ আর দব্লিয়ু এস) স্কীম অসি হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা থক্লবা ঈশিং পীবা লেপখিবগী মতাংদা সোসস এন্দ এদ্যুকেস্নেল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (সেদা)না হৌখিবা মে ৩০দা মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌখ্রবা মতুংদা পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল চীফ ইঞ্জিনীয়ার অমসুং এস ঈনচিংবা ষ্টাফ স্কীম অসিদা লাক্তুনা মীয়ামগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী মতাংদায়েংশিনবিদুনা অথুবা মতমদা ঈশিং ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সেদা, লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থাজবা অদুদা পীরম্বা লোয়ননা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়দা মীয়ামগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপীগনি হায়না থাজবা পীরম্বগীদমক সেদাগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।


মরম অসিদা ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিটিনা হৌখিবা এপ্রিল ১৮দা ইলেক্ট্রিক মোটোরগী ষ্টার্টর মাঙখিবনা মরম ওইরগা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়না ঙসি মীদিয়াগী থোঙদা ফোঙদোকপিরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রি।



পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল চীফ ইঞ্জিনীয়ার অমসুং এস ঈনচিংবা ষ্টাফ, ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেস কমিটি অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না ফমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নখ্রবা মতুংদা ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিটিনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়বসি কমিটিগী থৌদাং অদু নাথৈনবা ফোঙদোকপা ৱারোলনি হায়না লৌগনি হায়রি।

সেদানা পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্ট অমসুং ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিটিবু লান্না উহন্নবা হোৎনখিবা লৈতে। মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা ক্লব অমগী থৌদাং লৌখিবনি। মীয়ামনা থা অমা অনী অফবা ঈশিং থকপা ফংদনা অৱাবা খাংলকপদা মণিপুরগী করম্বা ওর্গনাইজেসননা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙমগনি। মখা তানা য়ুম্ফম য়াওদবা মীয়ামদা চমম্নবা পোক্কদবা ৱারোল ফোঙদোকপিরক্তনবা খঙহঞ্জরি হায়নসু চেরোলসিদা সেদানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

HELPING HANDS GROUP ACADEMY Excelling human Development
Affiliated to COHSEM No. 1/333/09-HSC
Principal: Dr. Soibam Nabachandra,
Retd. Principal Manipur College
Unique features, first time in Manipur
✔ Tablet for each student for e-learning ✔ Parents can watch faculties’ class through mob phone
✔ Faculties from European countries ✔ Guidance and Counseling centre
ADMISSION OPEN
XI SCIENCE for 2015-16
Last date of Form submission 6th June 3rd Counseling on 7th June 2015 (250 seats)
Ningthoujam Jayenta 73.0, Special Regular, Nambol

Renuka Kiyam 78.2 New Model, Moirang

Rezia Ningthoujam 78.4, New Model, Moirang

Some excelling students who believe in our Stand
Ch. Dayadutta 87.8 Keishamthong H/S

Baby Friday Mutum 73.8, Glory, Imphal

Bony Kongjengbam 79.2 New Model, Moirang

Thoudam Lakhipiyari 74.4, TIMES, Uchiwa

✔ 2 yrs Free admission and tuition fees + scholarship for 80% and above in HSLCE
✔ 2yrs Free admission for 70% and above in HSLCE / 1st, 2nd & 3rd rank holders of any school ✔ ✔ 50% discount for single parent and other marginal community.
✔ Special concession for 45% and above
Well experienced faculties & former faculties from reputed institutes ✔ Millennium Institute of Science ✔ Naorem Birahari College ✔ Standard Robarth Hr Sec. ✔ Temple of Learning ✔ Vision Creative Hr. Sec. ✔ Heritage Christian College
✔ For Admission details contact: Office of the HHG Academy, Ghari Mamang Leikai near Emoinu Oil pump, Imphal-01 Phone: 0385-2455646, 9862445909 website www.hhgacademy.com
HL-B/2540/29/5 to 7/6

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে


ইম্ফাল, জুন ০৩ ঃ স্পাষ্টিক সোসাইটি ওফমণিপুরগী মেম্বরশিং, ষ্টাফ, ষ্টুদেন্টস, পেরেন্টস অমসুং ৱেল ৱিশরশিংনা ঙসি হৌখিবা জুন ২দা লৈখিদ্রবা লূপ অসিগী ফাউন্দর ইগজিক্যুটিব মেম্বর সঞ্জেনবম সত্যাকুমার খুমনগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপখ্রে অমসুং লৈ-শু কৎখ্রে হায়না স্পাষ্টিক সোসাইটি ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইশ্রম তোকেন্দ্র রিক্কিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিন মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা সত্যাকুমার খুমন খুদোংচাদবা অমসুং শীংনবা কয়া মায়োক্লদুনা মহাকনা দিসএবল্ড ফুট আর্টিষ্ট অমসুং অইবা অমা ওইরকখি। স্পাষ্টিক ক্বাদ্রিপ্লেজিক অমা ওইরবসু মহাকনা লাইরিক অহুম ফোঙলমখি অমসুং খোঙনা লাই কয়া য়েকলমখি। মহাক্কী মরমদা দি দি কে, ইম্ফালগী দোকুমেন্টরি অনী লৈ। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরক্নবা থৌনিজরি হায়রি।

## লুপা ফুদোংবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ
লাক্লিবা জুন ৭কী অয়ুক পুং ৯ তাবদা লৈমরোল লৈশেম্বা নিশাবন্দ মৈরা পায়বীগী মীওইশিংনা লুপা ফুদোংবা অমসুং মৈরা পায়বীগী শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অদুদা শগোলবন্দ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ, আর কে ইমোনা অথোইবা লেঙবিরকপা, ৱার্দ নম্বর ১০গী কাউন্সিল্লর সলাম তিকেননা অমদি ক্ষেত্রি ইবেনিনা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবিরকপশিং অমসুং লৈমরোল লৈশেম্বা নিশাবন্দ মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট খোংবানতাবম ওংবী ক্ষেত্রিময়ুম রন্ধোনিনা থৌরম মপু ওহনা শরুক য়াগনি হায়না লূপ অসিগা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## কাং হীদাক কাপখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এস এন)ঃ
ঙরাং অমুকোগী লমজিং মখাদা আই ঈ য়ু সী ওগা চৎমিন্নরিবা এন আই য়ু সী এ এম ওগী মেম্বর ওর্গনাইজেসন ওইরিবা লাইফম খুনৌ মখা লৈকায় অপুনবা নুপী লূপকা খুৎশম্নরগা লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়গী মীয়ামগা পুন্না য়ুম্নাক ১৫০দা কাং হীদাক (দি টি টি পি) কাপখ্রে। হীদাক কাপ্পগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমুকোগী ফাইনান্স সেক্রেটরি এন শ্যামসুন্দর, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন দব্লিয়ু নাওবীসু শরুক য়াখি। আই ঈ য়ু সী ওগী থৌ পুবশিংবু অপুনবা নুপী লূপকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা তুং কোয়না লৈকায় মীয়ামগী অমসুং লৈপাক্কী থৌগাই কয়াদা পুন্না খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নগনি হায়না লাইফম খুনৌ মখা লৈকায় অপুনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি দব্লিয়ু প্রমোদিনিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

DUTTA CLINIC
অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।
তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।
নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।
নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।
ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।
নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।
য়ু করম্না থাদোক্কনি :
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/2359/29/4-28/5

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1564


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | 1 | 6 | | |
| | 6 | | | | | 3 | 9 | |
| | | | | | 6 | 4 | 1 | 8 |
| | | | | 9 | 5 | | | 6 |
| | 5 | | | | | | 7 | |
| 1 | | | 2 | 7 | | | | |
| 9 | 8 | 7 | 3 | | | | | |
| | 3 | 5 | | | | | 6 | |
| | | 2 | 5 | | | 8 | | |

Solution-1563

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 4 |
| 4 | 2 | 8 | 5 | 1 | 9 | 6 | 3 | 7 |
| 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 8 | 2 | 1 | 5 |
| 3 | 5 | 4 | 9 | 2 | 1 | 7 | 6 | 8 |
| 9 | 8 | 1 | 7 | 6 | 4 | 5 | 2 | 3 |
| 2 | 6 | 7 | 8 | 5 | 3 | 9 | 4 | 1 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 9 | 7 | 4 | 8 | 2 |
| 8 | 7 | 9 | 3 | 4 | 2 | 1 | 5 | 6 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 8 | 5 | 3 | 7 | 9 |


Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

## CROSSWORD-1757



**ACROSS**
1 Mixed (8)
6 Mongrel (3)
9 Intended (5)
10 Taking a break (7)
11 Invigorate (7)
13 Path of a planet (5)
14 Cheap and showy (6)
15 Former name of Iran (6)
18 Hangman's loop (5)
20 Amaze (7)
21 Not artificial (7)
22 Shin bone (5)
23 Consume (3)
24 Imperil (8)

**DOWN**
2 Lacking depth (7)
3 Frequently (in poetry) (3)
4 Seat of power (6)
5 Deceitful (9)
6 Ascend (5)
7 Indispensable aide (5-4,3)
8 Cheek (12)
12 Bones of the spinal column (9)
16 Trip (7)
17 Posted (6)
19 Composition for eight performers (5)
22 Metallic element (3)

Solution 1756


SOLUTION ON NEXT ISSUE